# কাব্রংচাক (Mulberry) পাম্বীগী পোত্থোক পুথোকপগী কাঙলোন (Technology)

লৈপাক লৈহাও

- লৈতান ফোলি (Clayey loam) দগী ফোলি (loam) ওইবা মফম্না খ্বাইদগী চুনৈ।
- অশিন-অয়াক (pH) কী চাংনা PH 6.5 তগী PH 7.0 ফাওবগী চাংদা থম্বীগনি।
- অয়াকপাগী চাং (Alkalinity) না হেল্লবদি (PH 7.0 দগী হেল্লবদি) জিপসম (Gypsum) চাইবীগনি।
- অশিন্বগী চাং (Acidity) না হেল্লবদি (PH 7.0 দগী তারবদি) সুনু (Lime) চাইবীগনি।

অইং - অশা

- চারাগীদমক শেম্নগা ফৈদোমশিং অদু $20^{O}$C দগী $30^{0}$C ফাওবগী মনুংদা থম্বনা খ্বাইদগী চান্নৈ।

নোংজুগী চাং

- চান্নবা নোংজুগী চাংদী চহিদা 1000 - 1500 mm ফাওবনি।

পাম্বী থাফম শেম শাবা

- লৈতেম মান্নবা তোংলপ তৌবা ঈশিং চিথফম লৈবা লৈতান ফোলি নত্রগা ফোলি ওইবা মফম খনবিগনি।
- অনিরক্তগী তাদনা লুনা খোইনা (deep ploughing) মথৌ তাই, কারন লাক্কুনা খোইবিগনি।
- খোইরবা মতুং নুমিৎ ১০ - ১৫গী মতুংদা য়াম্না কুপ্না (fine tilt) অমুক হন্না খোইবীগনি।
- ফৈদোমগী পাক চাওবনা মরাক্তা 300 cm অমদি ময়ুংদা 120 cm ওইহনবিগনি।
- 25 - 30 cm পাকপা 15-20 cm লুবা ঈশিং চিথফম নালাশিং ফৈদোমগী মরক্তা শেম্বীগনি।
- ষন্থী-ষনয়ুংগী হার (FYM) 20 kg ফৈদোম খুদিংগী হাপ্পীগনি।

তেম্মা (Cutting) শেম্বা :

- থা ৪ সুরবা কাব্রংচাক্কী মশাশিংদমক তেম্মা শেম্নবা খনবিগনি।
- 15 - 20 cm শাংবা অমসুং 1 - 1.5 cm in diameter ওইবা অহিংবা ময়োল 3.4 য়াওবা তেম্মাশিং চেকশিন্না শেম্বীগনি।
- কক্লবা তেম্মাশিং অদু চোৎহল্লবা বোরা খাওনা (Gummy Cloth) য়োম্নগা উরুমদা থম্বীগনি।
- তেম্মাশিং অদু মতম খরা চোন্থবা থম্বীগে হাইরবদি ঈশিং খিকপীগনি।

তেম্মা থাবগী কাঙলোন

- তেম্মাশিং অদু পরেংগা পরেংগা (rows) 20 cm অমদি তেম্মাগা তেম্মাগা (Cutting) 8 cm লাপননা থাবিগনি।

- মতোল তুম্বা চান্নবা চৈগী মতেংনা মখুল শেল্লগা তেম্মাশিং অদু মওং চুম্না ফৈদোমদা থাবীগনি।
- তেম্মাশিং অদু মাইকৈ অমদা ঙমথরপ তৌনা থাবিগনি।
- থারবা মতুংদা তেম্মাশিংগী মখোংশিং চেৎনা নমশিনবীগনি।
- ঈনিল মাংহন্দনবা কাব্রংচাক মশাশিং অমদি চরুগুম্বনা মথক্তা কুপশিনবিগনি।
- ঈশিংগী চাং ৱাত্তনবা হাপ্তাদা অমুরক্তি ঈশিং চনবীগনি।

কাব্রংচাক চারাশিং য়েংশিন্বা

- ঈশিংগী চাং ৱাত্তনবা হাপ্তাদা অমুরক্তি ঈশিং চনবীগনি।
- ফৈদোমশিং অদু নাপী-শিংনাং হৌহন্দনা থম্বিয়ু।

ফৈদোমদা খুৎশেমগী হার হাপ্পা

- থারবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০ ফাওবা লৈরগা Ammonium Sulphate 500 g নত্রগা Urea 250 g ঈশিংদা তুমহনবীরগা চাইবিগনি।

চারা ফৈদোমদা লায়না তিন্না ঙাকথোকপা

- Tukra দগী ঙাকথোক্নবা 0.1% DDVP কাপথোকপীগনি।
- Powdery mildew দগী ঙাকথোক্নবা 0.1% Bavistin কাপথোকপীয়ু।

চারা হোংদোকপগী থৌওং (Transplantation)

- থা ৩ - ৪ সুরবা কাব্রংচাক চারাশিং অদু হোংদোক্নবা শেম শাবা য়ারে।
- হোংদোক্নবা চারাশিং অদু ফুকতোকত্রিঙৈগী মাংওইননা ঈশিং চাইবিগনি।
- য়োৎপাক নত্রগা গয়ন্তিগী মতেংনা চারাশিং অদু ফুকপীগনি।
- ফুক্তোক্লবা চারাশিং অদু মতম খরা থম্বীগে হাইরবদি ঈশিং খিকপীগনি।
- চারাশিং অদু লাপ্না পুবা তারগনা মরাশিং অদু কংদনবা অচোৎপা বোরা (wet gummy bag) না কুপশিনবীয়ু।

মপুং ওইবা লৌফমদা চারাশিং হোংজিন্বা

- হোংজন্বগী চান্নবা পন্থাদি (Season) নোংজু পন্থা হাইবদি June - September ফাওবনি।

মপুং ওইবা পাম্বী থাফম শেম শাবা

- নোংজুথা মাংওইননা Power Tiller অমসুং Tractor শিজিন্নরগা কারন লাক্কুনা 30 cm দগী তাদনা লুথনা খোইবিগনি।

জুরা পরেং (Paired rows) লৌফম শেম শাবা

- জুরা পরেং থৌওংগীদমক (150 cm + 90 cm) x 60 cm গী থৌওংদা শেম শাদুনা থাবিগনি।
- থৌওং অসিদা পরিদা (hacter) পাম্বী 13,887 থাবা চনগনি।
- থৌওং অসিদা থাবনা Tractor, Power Tiller গুম্বা মতমগা চুনবা খুৎসু-খুৎলায় শিজিন্নবা য়াহন্বদা

নত্তনা পাম্বী হকথেংন্ননা য়েংশিন্নবদা খুদোং চাহল্লি।

- নোংজুথাগী মতমদা লিংথোক্লবা পাম্বীশিং অদু মখোং চেৎনা নমশিনবীদুনা থাবিগনি।
- ঈনিল মাংহন্দনা থম্লবা লিংথোক্লবা পাম্বীগী মখোংদা কাব্রংচাক মশা অকংবা উনা নত্রগা চরুনা কুপশিনবীগনি।
- থাবা হেক লোইবগা পাম্বীশিং অদু ঈশিং চাইবিগনি।

পাম্বী শেম শাবগী থৌওং

- থারবা মতুং থা অমগী মতুংদা হাবেংবা অমদি লৈপাক হোম হোম লাওনা নুংশিৎ নুংশা মকা লাম্না ফংনবা মখোং শোম্বীগনি।
- অসুম্না থা অমমম কান্নরগা অনিরক্তি মথক্কী থৌওং অসি হঞ্জনা তৌবীগনি।
- দরকারগী মতুং ইন্না থারবা পাম্বীশিং অদু ঈশিং চাইবিগনি।
- ষন্থি শনয়ুংগী হায় (FYM) চহিদা পরিদা (hacter) 25MT গী চাংদা হাপ্লীগনি।
- অনিসুবা চহিদগী হৌরগা চহিদা পরিদা (hacter) NPK 350 : 140 : 140 গী চাংদা হাপ্লীগনি।
- $V_1$ নত্রগা $S_{36}$ কী মখলগী কাব্রংচাক পাম্বীশিংদি চহিদা মঙারক মনাগী পোত্থোক পুথোকপা ঙম্মি।

অনৌবা বিজ্ঞান কাংলোনগী (Technology) গী মমিং

- POSHAN কৌবা পাম্বীগী দরকার ওইবা মচল সুনা য়াওরবা মচিঞ্জাক অসিনা কাব্রংচাক্কী মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়নাশিং ঙাকথোকপা ঙম্মি।

শক খংবা চহি

২১/১১/২০১১

বিজ্ঞান কাঙলোন (Technology) অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল

- খল চানা য়াওরবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অসিদা চাওদম শাংদম হেন্নবা (Growth Promoter) মচলশিংসু য়াওরবনা কাব্রংচাক পাম্বীগী চিঞ্জাক ৱাৎপগী খুদোংচাদবা লৈহন্দে।
- থৌওং অসিনা দরকার ওইবা পাম্বীগী চিঞ্জাক লৈপাক লৈহাওদা হঞ্জিন হঞ্জিন হাপ্পগী খুদোংচাদববু লৈহন্দে অমদি খুৎলৈ থুনা চাওহলি।
- পাম্বীগী মচিঞ্জাক ৱাৎপনা 30.77% কী চাং মনাগী পোত্থোক হন্থাহনগদবদু মৌওং অসিনা মনাগী মগুণ হেনগৎ হনবগা লোইননা Protien গী চাং 45.93% , Sugar গী চাং 46.34% গী অমসুং leaf moisture গী চাং 20.98% লৈহন্বা ঙম্মি।
- য়াম্না ফরবা লৌফমদসু পাম্বে অসিনা মনাগী পোত্থোক 15 - 20% গী চাংদা হেনগৎহন্বা ঙম্মি।
- লৌমীশিংদা খুদোংচারবা থৌওং অসিনা লৌরোক অমদা সুপ্নগী অমুক্তমক শিজিন্নরগা য়াহল্লি অমদি অফবা মনা পুথোকপদা চঙবা খরচসু হন্থহল্লি।
- খরচ অমসুং শেন্দোং (Cost benefit) য়েংবদা POSHAN শিজিন্নবনা C : - 1:7 ওইহল্লি।

**শিজিন্নবগী থৌওং**

- POSHAN litre অমা ঈশিং 140 litre দা য়ানশিন্নরবা (@ 7 ml/1) মহি অদু কাব্রংচাক পান্বী Acre অমগী লৌফমদা কাপ্পীগনি।
- কাব্রংচাক মশা থারবা (Prunning) নত্রগা মনা হেক্তোকলবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩০ ফাওবা লৈরগা অয়ুক 8 a.m to 11 a.m. ফাওবগী মনুংদা য়ানশিন্নরবা মহি অদু কাব্রংচাক মনা শিন্বা থুংনা কাপথোকপীগনি।

**Litre অমগী POSHAN গী মমল**

Rs. 150.00

**ফংফম/লৌথোরকফম**

Central Sericultural Research & Training Insititute, West Bengal.